**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-12-2025)**

**বিজয় (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় ভালানা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীয়ামনা লৈবাক অসিগীদমক থৌনা ফনা লান্থেংনরিবা লান্মীশিংবু মতম চুপ্পদা ইকায় খুমবা উৎশি। মখোয়গী কৎথোকপা, মরৈবাক নীংবা অমসুং মীনুংশি চাউবা ৱাখল্লোনশিং অসিবু ঐখোয়না কৈদৌনুংদা কাউফম থোক্তে। মখোয়গী থৌনা লিংজেলনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নুংশি চানবা লমদম অমা ওইহল্লি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিদা পাঙথোকপা বিজয় দিবস থৌরমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-রাজ্য অসিগী পুলিস ফোর্সশিংসু রাজ্য অসিবু ঙাক শেনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংবু নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনবদা মনিপুর পুলিসনা অচৌবা থৌদাং য়ারি। রাজ্য অসিগী থৌনা ফরবা মচা কয়ানা লৈবাক অসিবু ঙাক শেনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

থৌরমদুদা রাজ্যপাল-অজয় ভালা, চীফ সেক্রেটরি-ডা:পুনিত কুমার গোয়লনা লুচিংদুনা ১৯৭১ গী লানদা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদসু ঙসি বিজয় দিবস পাঙথোকখি। ইং কুমজা ১৯৭১ গী ভারত-পাকিস্তান লানদা ভারতনা চাউনা মাই পাকখিববু নিংশিংদুনা পালন অসি পাঙথোকপনি। লান অসিদা লৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখ্রবা অথৌবশিং অদুবু চহী খুদিংগী নুমিৎ অসিদা জাতি অসিনা নিংশিংদুনা ইকাই খুমবা উৎলি। নিংশিংবা য়াই, ১৯৭১ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পাকিস্তান লান্মীগী মকোক জেনরেল এ.এ খান নিয়াজিনা লান্মী লিশিং ৯৩ গা লোয়ননা সর্তা অমত্তা য়াওদনা এলাইট ফোর্সতা খূৎলাই থাদোক্কুনা চংজখি।

বিজয় দিবস অসিদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা নেসনেল ৱার মেমোরিয়েলদা লৈ কত্তুনা অথৌবশিংদা ইকাই খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা, চিফ ওফ দিফেন্স স্তাফ জেনরেল অনিল চৌহান, চিফ ওফ আর্মি স্তাফ জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি, চিফ ওফ ইয়র স্তাফ ইয়র চিফ মার্সেল এ.পি.সিংহ অমসুং চিফ ওফ নেভেল স্তাফ এদমিরেল দিনেশ কে ত্রিপাথিসু য়াওখি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি বিজয় দিবসকী থৌরমদা পরম বির দিরঘা হাংদোকখি। পরম বির দিরঘা অসি পরমবির চক্র ফংখ্রবা মীওই ২১ মক্কী শক্তম উৎপা গেলারিনি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু, বিষ্ণুপুর মিণি সেক্রেটরি কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা বিজয় দিবস পাঙথোকখি। থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি অমসুং ১৯৭১ গী লালদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা থৌনা ফরবা লা
মীশিংবু ইকায় খুমবা ওইনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপখি।

ককচিং জিলাদসু জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা বিজয় দিবস পালন থোরম পাঙথোকখি। থৌরমদুদা এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-টি. শান্তিকুমার সিংহ শরুক য়াখি।

**ৱিক (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি নেসনেল ন্যু বোর্ন ৱিক ২০২৫-২৬, লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসকী এন.ঐচ.এম. কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে। চয়োল পালন অসিগী হীরমদি, ন্যু বোর্ন-সেফতি, এব্রি তচ, এব্রি টাইম, এব্রি বেবি হায়বসিনি। মসিগী পান্দমদি, নৌনা পোক্লকপা থা ফাদ্রিবা অঙাংশিংবু খুদোংথিবা থোক্তনবা করমা শেন্নগদগে হায়বদু মীয়ামদা পাক শন্না খঙহনবনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তাকুমার সিংহ, ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর, নেসনেল হেলথ মীসন-ডা:

এম. দিনেস সিংহ অমসুং ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. বিনো সিংহ শরুক য়াখি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৯ ফাওবা তমেংলোংদা পাঙথোক্কদোরিবা ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল-২০২৫ গী করটেন রাইজর কিলোমিটর ১২ গী লমজেল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা লমজেল অদু তমেংলোং মহুর রোড জিরো পোইন্টতগী হৌরগা মফমদুদা অমুক হল্লক্তুনা লোয়শিনখি। লমজেল অদুদা মীওই ৪০০ রোম শরুক য়াখি। কাংলুপ অনি থোকা খায়দোকখিবা লমজেল অদু তমেংলোংগী এস.দি.ও.-দি. মৈদিনবৌনা লমথাখি।

**কোকোমি(এল)ঃ** থা অসিগী মনুংদা আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহনগদবনি হায়না দাবী তৌদুনা থা অসিগী অমদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোংদা চথরক্লিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা কোকোমিগী কনভেনর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-সরকারনা রি-সেটলমেন্টকী থবক পায়খৎলিবা অসি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা আই.দি.পিশিংগী মীপায়বা অসি কোকহনবীয়ু।

মহাকা হায়-চহি অনি মখায় হেন্না অৱাবা খাঙলক্লবা আই.দি.পিশিংবু তং তাবা ৱাফম অমা খঙহনবা মতম ওইরে। অমরোমদা, সেক্যুরিতি এদভাইজরগা কোকোমিগী মীহুৎশিংগা ঙসি আই.দি.পিশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি।

**ৱাটরসেদ(এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-ঈশিং অমসুং লৈবাক লৈহাও য়োক্তুনা থম্বদা নাগরিক খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ।

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি ৱাটরসেদ মহোতসব-২০২৫ হৌদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-নাগরিকশিংনা তুরেল মরূ ওইরিবা মফমশিং ঙাক

শেনবা অমসুং উমং কোকথোকপনচিংবা থিংবা ইচম চম্বা থবকশিং লৌখৎতুনা শরুক য়াবা য়াই। মহাকা হায়-য়ুমথোং খুদিংমকা ঈশিং ফংফমশিং ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি। নহাশিংনসু ঈশিং য়োক্কুনা থম্বা, অনৌবা পাম্বে পুথোকপা অমসুং শিজিন্নবা ওকবা ঈশিং লৈহন্নবা থবক তৌগদবনি।

থৌরমদুদা, রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লসু শরুক য়াখি। থৌরম অদু ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সি ফোর ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট মনিপুরনা শিনবনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল দিবলপমেন্টকা খুৎশমরগা 'কনভেন্সন ওন ৱিমেন রিপ্রজেন্টেটিব' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিরিবামগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি নুপীশিংগী হক অমসুং মতৌ করমা চাউখৎ থৌরাংগী লমশিংদা শরুক য়াগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। সরকারনা পায়খৎলকপা থৌশিল অমসুং স্কিমশিং-বেতি বচাউ, বেতি পরাউ, প্রধান মন্ত্রি মাতু বন্ধন য়োজনচিংবগী মতাংদসু মীয়ামদা খঙহনখি।

থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**নোনে (এল)ঃ** মনিপুর অমদি য়ুমলোন্নবা রাজ্যশিং-অসাম অমদি নাগালেন্দদা খুন্দারিবা ফাউমৈ কাইকুৱাংগী অহানবা মীফম ঙসিদগী নোনে জিলাগী খুমজি বজারদা লৈবা রেমা পব্লিক একাডমীদা হৌখ্রে।

নুমিৎ নিনি চঙথগদবা মীফম অসিগা পান্দমদি, য়ুমলোন্নরিবা রাজ্যশিংগা অমত্তা ওইনা মচিন মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা, নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্ননবনি।

থৌরম অদুদা দিলিগেট লিশিং অনিরোমনা শরুক য়ারি। তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অসিগী নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরমসু নুমিদাংগী মতমদা পাঙথোক্লি।

**সিআপিএফ(এল)ঃ** নোনে জিলাগী চরোই তুপুল খুলদা সি.আর.পি.এফকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খুঞ্জাশিংদা সোল্লর ষ্ট্রিপ লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অসি ৮৬ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়নগী জি-১৬৭ কম্পানিনা শিনবনি।

**ঠিয়েটর (এল)ঃ** রুপমহল ঠিয়েটরগী মৈত্রম বির এৱার্ড-২০২৫ গী ওইনা শক ইরবা লীলা ইবা, লীলারোই অমসুং দিরেক্তর-ক্ষেত্রিময়ুম সোমেরেন্দ্রো সিংহদা পীরগনি। মনা অসি থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদবা রুপমহল ঠিয়েটরগী ৮৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা খুৎশিন্নগনি।

**জেলিয়াংরোং (এল)ঃ** অসাম, মনিপুর, নাগালেন্দগী জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খনখ্রে। তমেংলোং হেদক্বাটরসকী লুংশু পানমৈনা প্রসিদেন্ট ওইরগনি। অদুগা ভাইস প্রসিদেন্ট মরিসু খল্লে।

**আপিল (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওকসুদা লৈবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির, অরোগ্যা পরামম ধনম পি.ঐচ.ই-ঐচ.ডব্লিয়ু.সি-এ.এ.এম. অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং য়াওনা ষ্টাফশিংগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা হাপচিনবীনবা মনিপুর প্রদ্রেস কংগ্রেস কমিতিগী মেম্বর-অচোইবম দেবেননা সরকারদা তকশিল্লি।

ঙসি শ্রী দিবেনগা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়-থংননা লৈরিবা খুঙ্গংশিংগী

ওইনসু মফম অসিদা লাক্কুনা লায়েংবগী থবক চথরি। অদুবু, অৱাৎপা কয়া লৈবনা মীয়ামনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মীয়ামগী হকশেলগী খনবীদুনা মরী লৈনবা বিভাগনা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপীয়ু। আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির অসিদা শ্রী দেবেননা ঈশিং য়োক্কুনা থমবা টেঙ্কশিং য়েন্থোকখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খোংজোম বজারদা গ্রাম চৌপলগী থৌরম ঙসি ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মীওই ৭০ হেন্না শরুক য়াখি। থৌরম অসি মরুওইনা শেল থুমগী মতাংদা মীয়ামবু মমুৎ তানা খঙহন্নবা পাঙথোকপনি। থৌরমসিদা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কিং স্কিমশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**ঈশিং (এল)ঃ** ইম্ফাল অমসুং ইরিল তুরেলগী ঈশিং ঈমায়গী চাং বেজ লেবেলদগী নেমথখিবনা কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিংনা কোনবা মফমশিংদা ঈশিং পীবগী রোস্তরদা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়না পি.ঐচ.ই.দিগী ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেজ দিভিজন টুগী চেরোল অমনা হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ইথিয়োপিয়াগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি লৈবাক অদুগী কোনুং অদিস অবাবাদা থুংখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-ডাঃ এবি অহমদ আলিগা ভারত-ইথিয়োপিয়াগা লৈনরিবা মরীগী হীরম কয়াদা পাক শন্না ৱারী শান্নগনি। খোঙচৎ অসি শ্রী মোদিনা ইথিয়োপিয়াদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।

খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা প্রধান মন্ত্রিনা জোরদানদা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা লৈবাক অদুগী নিংথৌ অব্দুলা টুগা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্কুনা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনি অসিবু হেন্না নকশিনবা মরী থমবা লল্লোন ইতিক অমদি উদ্যোগকী

লমদা তেংবাং পীননবা ৱাফমশিং খন্নখি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং নিংথৌ অব্দুলা টুনা পুন্না ঙসি অমানদা পাঙথোকপা ভারত-জোরদানগী বিজিনেস ফোরমদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং জোরদাননা লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা হান্না ওইরম্বা চাংদগী তঙ্খায় হেনগৎতুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫ গী লল্লোন ইতিক্কী থবক থৌরমশিং পাঙথোকবা খন্নখ্রে।

**এমপ্লোইমেন্টঃ** ভারত্তা মশাগী চহী ১৫ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংগী থবক ফংদবগী চাং অসি চহী অসিগী নবেম্বর চাদা ৪.৭ দা হন্থরে। মসি এপ্রিল থাদগী হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী নেম্বা চাংনি। স্তেতিসতিক্স অমসুং প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্তেসন মন্ত্রালয়গী থাগী ওইবা লেভর ফোর্স অমসুং থবক ফংদবগী দেতা মতুং ইন্না খুঙ্গংগী লমদা থবক ফংদবগী চাং য়ামা নেমা চাদা ৩.৯দা, অদুগা, সহরগী লমদনা চাদা ৬.৫ দা হন্থরে। মসি মমাঙ চহীদা লৈখিবা চাংগা য়েংনবদা খ্বাইদগী নেম্বা চাংনি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা নুপী তরেৎ য়াওনা মাওইষ্ট মীওই ৩৪ ঙসি সরকারদা চংজরকখ্রে। ঙসি চংজরক্লিবা মীওইশিং অসি পুন্না লুপা লাখ ৮৪ গী রিৱার্ট লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুনা খুৎশু খুৎলায়শিংসু লোয়নরকখি।

এস.পি. ডা: জিতেন্দ্র কুমার যাদবনা হায়-ঙসি চংজরক্লিবশিং অসিদা তেলঙ্গানা ষ্টেট কমিতি অমসুং এ.ও.বি. দিভিজনগী মাওইষ্টশিংগী মথক্তা দি.কে.এস. জোনেল কমিতিগী মেম্বরশিংসু য়াওরি। চংজরক্লবা মাওইষ্টশিং অদুদা সরকারগী রিহেবিলিটেসন পোলিসিগী মখাদা শেল ওইনা মীওই অমমমদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি।

**বেঙ্গলঃ** নোংচুপ বেঙ্গলদা চথুরিবা স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন(এস.আই.আর)গী শরুক অমা ওইনা ইলেক্সন কম্মিসননা এবসেন্ট-সিফট-দেট-দুপ্লিকেট(এ.এস.দি.দি) ভোতর লিষ্ট ফোঙখ্রে। দ্রাফট ভোতর লিষ্টসু ঙসি ফোঙগনি। এ.এস.দি.দিদা য়াওরিবা মীংশিং অসি ২০২৫গী ইলেক্তোরেল রোলদা য়াওরম্বনি। মীংশিং অসি ২০২৬কী এস.আই.আরগী দ্রাফট রোলদা হাপত্রে। বি.এল.ওশিংনা বি.এল.এশিংগা তানরগা ইন্ন্যুমরেসন ফোর্ম ফংদবা ভোতরশিংগী এ.এস.দি.দি লিষ্ট অসি শেম্বনি।

**এন.আই.এঃ** পহলগামদা থোকখিবা টেরর এত্তেক্টকী থৌদোক্কা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী(এন.আই.এ)না জম্মুগী স্পিসিয়েল এন.আই.এ কোর্টতা চার্জ সিট থাঙ্গৎখ্রে। মদুদা, থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই ৬ কী মীং য়াওরি। মদুগী মনুংদা, পাকিস্তানদা বেজ তৌবা লাস্কর ঈ তাইবা অমদি দ রেসিস্তেন্স ফ্রন্ট(টি.আর.এফ)কীনি হায়বা মীওইশিং য়াওরি।

**পোলো (এল)ঃ** ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথুরিবা অনিসুবা দি.জি.এ.আর মেন্স এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা- ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লবনা এম.পি.এস.সি. টিম (বি) বু পাঞ্জল ৬-৫ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা এক্স পোলো ক্লবনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৯-৬ তা থোইখ্রে।

নুপীগী সেমি ফাইনেলগী অহানবা মেটচতা-এ.আর. পোলো টিমনা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা লিস্থোইঙম্বী কাংজৈ লুপপু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** মেজর ভুপেন্দর মহেরা মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

৪৩ শুবা অসাম রাইফলসকা চকপি য়ুনাইটেদ ক্লব অমসুং ই.এস.এম. চকপিকারোংনা শিনবা ফাইনেল মেটচতা চকপিকারোং ৱাই.সিনা লাম্লুং ৱাই.সি.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবনা এফ.সি. রেংদাইবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ এদল্টস এসোসিয়েসননা ইম্ফাল এফ.এবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-আসুফি এফ.এনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-অনৌবা ইমাগী মঙালনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৬-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. পাৎশোইনা আর.আর.সি.সি. চুরাচান্দপুরবু রন-১১৬ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা ইম্ফালগী লারেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচ অমদা-আই.বি.এস.এ. য়ুমাম লৈকাইনা নপসা-খা ইম্ফালবু রন-৭৪ দা থোইখ্রে।